হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ২৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৪০শুবা মশীং

# ইম্ফাল-মোরে লম্বী

## ‘ৱে টু হেবন’ ওইহনগুমসি

নেচরেল কেলামিটিশিংগী মনুংদা নুমিৎ খরনিগা লেপ্তুনা নোংগা চুশিল্লকপদগী লেন্দম্লাইদনচিংবা থোরকপা নত্তনা ইম্ফালদগীনা মোরে ফাওবগী মরক্তা হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী ফীভমসি অদুক্কী মতিক ফরে। মতমগা চপ চানা চুনরে হায়বা য়ারে। ফীভমসি ওইরকফমসু থোকই। মরমদি নেসনল হায়ৱেগী শরুক অমা ওইবদগী হেন্দোরক্তুনা ‘এসিয়ন হায়ৱে’ অমগী থাক য়ৌননবা শেমগৎলক্লিবনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্লসু পাকথোক চাওথোকহন্দুনা শেন্নম্মী। অদুগা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগীসু এনক্রোচরশিং ফাওবা তকথোক্তুনা লম্বীসিবু হেন্না মশক মচু থোকহল্লক্লিবনি। লৈঙাক হায়বসিদি ‘কন্টিন্যুয়িং প্রোসেস’ নি হায়বদুগী চপ চাবা ৱাহন্থোক ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা ফংবা উবা ঙম্লে। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা লম্বী থোংনচিংবগী ফীভমশিংসিবু হেন্না ফগৎলক্লিবা মখৈ লম্বীশিংসিদা চখোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী মরক্তগী থৱায় থাফম অমসুং মাঙফম বৈতরনি তুরেল অমসুং মোংফম/সিমিত্রিনচিংবা ওইরকপদি চুম্ব্রা? অসিগুম্বা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা থৱায় মাঙবগী থৌদোকশিংসি ইম্ফাল মোরে লম্বী খক্তা নত্তনা খরবু পাক্লবা, ফজনবু শেমগৎলক্লবদি টিদ্দিম লম্বীদসু থোকই, ইম্ফাল মাও লম্বীদসু থোকই। তোয়না থোকপা নৎত্রগা থোক্তবরোমদা খরা হেন্দোক-হেঞ্জিন লৈবগী ৱানি। অদুবু লম্বী পাকথোক্লিবমখৈ, ফজনা শেমগৎলক্লিমখৈ মসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী লম্বীগী খুদোংথীবশিং মায়োক্লরকপদি চুম্ব্রা? ওইহল্লকফম অমসুং থোকহল্লকফম থোকপ্রা হায়বনি। অদুবু থোরকফম থোক্ত্রবসু থোক্লে। মীশি মীনা তোয়না য়াওরে। নবেম্বর ২৪, ২০২২গী নুমিদাংৱাইরমদসু খোংজোম ৱার মেমোরিএলগী গেট মনাক্তসু কার অমগা গাড়ী মচা অমগা থেঙ্গাইনবদগী গাড়ী মচাদা লাকখিবা চহী ২ রোমদমক ঙাইরিবী নুপীমচা অমা য়াওনা মহাক্কী অপোকপগা পুল্লপ লৈখিদ্রে। থৌদোকসিনা অহানবা নত্তে, অরোইবসু ওইগদবা মান্দে। থৌদোকসিগী হেক থংনবা মমাঙগী নুমিৎতসু থৌবালগী বাবু কৈথেলদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমদা চহী ২২ রোম শুরবা লৈশাবী অমসু লৈখিদবনি।

ইম্ফাল মোরে লম্বী পরিংদা থোক্লিবা থৌদোকশিংসি থোকখ্রিবা এক্সিদেন্ট অনীসি খক্তা নত্তে। লম্বী পরিংসিনা কোনশিল্লিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচীং অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদা য়াম্না তোয়না থোক্লে। ইশম শম্বদা ইম্ফাল মোরে লম্বী অসি লাইরৈবাক্তা খোঙদাদুনা চৎননবা লম্বী (ৱে টু হেবন) ওইরকপগী ফীভমদা লৈরে। মসি ওইরগদি করম্বা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা মীওইবশিংগী থৱায় মাঙফম লম্বী অমা ওইরক্তনবা করি তৌবা য়াবগে হায়বরোমদা কোক চুংশিন্নদুনা খন্নবা চুম্লে। খন্নবদি হৌরম্বসু য়ারে। লৌখৎফম থোকপা থবকশিংসু লৌখৎলম্লগনি খল্লি। অদুবু খুদোংথিবা থৌদোক্তি লেপ্তুনা থোক্লি। মী শিরি অমসুং শোক্লি হায়বনি। মরম অসিনা মীওই কয়াগী থৱায় থাফম লম্বী ওইরক্তনবা করি তৌগদগে হায়বা পোরমশিং পুথোরকউ। নেসনল নৎত্রগা এসিয়ন হায়ৱে ওইবা ওইবদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা অপাকপা, অফবা লম্বী অমদা খুদোংথীবা থৌদোকশিং মতৌ করম্না থোকহল্লোইদগে? লম্বীগী ফুট-পাথ, মেদিয়ন ক্রোশিংনচিংবদা করি করম্বা ত্রাফিক সিগনেলশিং পুং ২৪ উহন্নবা হোৎনফম থোকপ্রা? শাংলবা লম্বী মশাংসিদা চৎলিবা গাড়ী মচা অমসুং অচৌবশিং থৌবা ফজনা হৈরবা মীওইশিংনা থৌব্রা? য়ু নৎত্রগা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং চাশিন-থকচিল্লগা থৌবা য়াওব্রা হায়বদুসু চ্যেক তৌনবা পুলিস/ত্রাফিক বুঠশিং থম্বগী তঙাইফদবা লৈব্রা? গাড়ী মখল খুদিংমক্কী ‘স্পিদ লিমিট’ থমদুনা কন্ট্রোল তৌবগী তঙাইফদবা লৈরক্লব্রা হায়বনচিংবদসু পূক্লিং থিংজিনবা চুমগনি। থবকশিংসি তঙাইফদ্রে হায়রগদি তৌবা ঙম্লোইদবগী মরমসু লৈতে। মরমদি মোরেরোমদগী লাকপা মারুটি ভেন, ইকো, দি আই, ত্রক্লচিংবদি উকু খুদিংগী খাম্লগা চ্যেক তৌবা ঙম্লিবনি। মরমসিনা করিনো অমদি খন্নহৌবা চুমগনি। মীশি-মীনা তোয়মনখ্রে। ৱে টু হেবন ওইহনবা চুমদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **“ওইরগদ্রা অরোইবা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **“ৱৎসনিংথৌ উদয়ন”** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী”** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) “খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেম্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেম্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।” ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“ৱারেপ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দেল্লীদা লমকোয় ৱারী মতেক অমা

## (লমকোয়বা চৎপদা ইচা-ইনাওশিংদা পীবা পাউজেল)

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২৯**

**জিতেন নামৈরাকপম**

নশাদা শেল খরা য়াওরবা, হিন্দি-ইংলিস ঙাঙবা ঙম্লবা য়ারে ইবো নঙ হিংঙে। লম্মাঙনররোই। লোল থোক্ত্রবা, শেল য়াওদ্রবা মীরমদা, মীরৈবাক্তা থেংনগদৌরিবা খুদোংথীবসি য়াম্মী। মরু ওইনা মীরম চৎপদা রেল গাড়ী, টেক্সি তোংবা-কুম্বা, ঙাইবদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। নুমিৎ হুমনি, মরিনি ইন্দিয়া মনুংগী জর্নিদা কূপ্লা শেন্নদুনা লাকচবা বেগ, সুটকেস, পোৎ চৈ ময়ামদু শুপ্নতগী মিনট মঙাখক্তং কোমথোকউবদা মাঙখিবা, হুরানবীখিবা কয়া কয়ানি। গুৱাহাটিদগী হৌরে নখোয়না থেংনরক্লিবা ময়ামসি। মীগী সমুদ্রনি। রেল গাড়ীগী প্লেটফোর্ম মরক্তা ঙক হাইফেৎ লৈথোক্লুবদা লাকমিন্নবা নহোয় নশেল ফাও মাঙনখিদনা কোয়থি থিনখিবদুনি। সাউথ ইন্দিয়ারোমদা চৎপনা পূক্লিং খরবু লূম্মী। মহৈ-মশীন হৈবা, ৱাখল তাবা মীশিংনা হেনবনিনা জর্নি চৎপা নুংঙাই। নোর্থ ইন্দিয়ানি য়াম্না তল্লিবসি। অসামদগী বেঙ্গল লানশিল্লকপা, বিহার, য়ু পিগী মতেক খরগনি য়াম্না শাথীরিবসি। ত্রেন মনুংদগী সুটকেস লাক্লগা চোংথখিবা ঙম্বা শাথী, শাথীবা মী য়াম্না লৈবনি। রেল গাড়ীগী থোঙনাওদা ঙারগা হাইফেৎ উইরুবা নুপীমচা অমগী সনা থৎপীখিদনা ঈহিং নাইহিং শাবা য়াওখ্রে। মখূৎ থিন্দোকউবা নুপা অমগী ঘড়ীগীদমক মখূৎ খুদাং ককথৎপীখিবা য়াওখ্রবনি। শুপ্নগী লুপা ৫/১০ খক্কীদমক মী হাৎপা ঙম্বনি। জর্নি চৎপদা য়াম্না হৈশিংগদবনি। নমিৎ-ননা য়াম্না শিংগদবনি। ৱাখল তারেকো হায়দনা মরুপ মনোযন্ত্রনা ঙসাইদগী সুম ঙাঙদনা লেকচর পীথদনা লৈবদু তাবদা নুংঙাই।



লেপ্লিবা মফম্না অয়ানগর, সাউথ দেল্লীগী এম জি রোদকী মতাই অমদা বস ঙাইরিবনি। দেল্লীদা কোয়রকপা নহা মচা মরিনে, ঐ থারগা ঐখোয় তরুকনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূকনি। চৎকদৌরিবা মফম্না কদর বজার, চোর বজার হায়রগসু খঙনবা চান্দনি চোককী সন্দে মার্কেটতা সেকেন্দ হেন্দ মপুন মপুন য়েংবা চৎকদৌরিবনি। ঐখোয়দি মফমদুদা কুন্থ্রারক্লুম্বা চৎলুরবনি। সেকেন্দ হেন্দ য়োনফম, কদর বজারদুদা মৈতৈ মচা কয়াম থেংনগে য়েংঙু। লৈশাবী মচা মশক ফজখ্রবীগসি সেকেন্দ হেন্দ খল্লগা লৈরমগনি। ফংদবা পোৎসু লৈতবনি। খোঙউপ, ফিরোল, গাড়ীগী পার্ট করি করাদগী হেন্দোক্তুনা পূম্নমক ফংবা মফমনি। লৈবসু পংলৈদা লৈনবনি। হেক থংনবদা লৈবা দরিয়াগঞ্জদা লাইরিক সেকেন্দ হেন্দ মথা মথা থারমগনি। য়াম্না নুংঙাইবনি য়েংঙুকো হায়দনা ঐনা মখা শমথরুই।

অসুম্না ঙাঙনরিবৈদা দি টি সীগী রেদ ফোর্ট য়ৌগদবা শাংত্রোং শাংবা বস অমা লাকপদগী খান্মী। তোংখৎলি। মীগী ৱাদি পাথোক্লে। বসতুমা পুমথন হেক থল্লি। ওইথংবগী নুপীগী সাইদতুসু পীক থন্না থৌরকপা ওইরম্মী। চিনখ্রবা মীরক্তুদগী কন্দক্টরদুমসু ওন্থোক্লা হৈনা লিংথোরকখ্রে। টিকেট ককই। পৈশা পী। অচোয়বা য়াওনা শিকি তাদনা, হেন্দনা হনে দারকই। শ্বর হোনবফাওবা ৱানা বসকী য়োৎকী বারদা পায়না তোংবা গাড়ী খুৎতোংনি। “মরু ওইনা নহোয়না খ্বাইদগী চেকশিনগদৌরিবসি নশা নশাগী পর্সতুনি। ফুরিৎখাও চপ্পা, পিকপোকেট তৌবা কাঙবু য়াম্না লৈবনি। দেল্লীনা ফাওরিবসি নুপীদা মোলেষ্ট তৌবা, রেপ তৌবখক্তদা নত্তে। ফুরিৎখাও চপ্পদসু মমিং চৎলিবনি। মনি বেগ চেকশিন্না হাপ্পুকো ময়াং মচানা লাকপীখিনি” হায়না মনোযন্ত্রনা চেকশিন ৱা হায়রকপনি।

চান্দনি চোক কদর বজারনা ফাওরিবসি পোৎ হোঙবদনি। পোৎ লৈবসিসু য়াম্না লুই। নহোয় তামো মনোযন্ত্রদি দেল্লীদা লৈরকপা চহী মঙা হেল্লবনি। নহোয়গুম্বা নহাশিংনা শোপ্পিং চৎপদা মানা গাইদ হেক হেক তৌবীবনি। নোংমসু সোনি কেমেরা অশেংবা অমা লুপা লিশীং অহুমদা লৈরকপনি। থা থাদুনা য়োনবা মফমদুদদি পায়দনা খোত্তনা অশেংবরা, নকলিরা মুন্না য়েংলগা লৈরকপনি। য়োমহল্লকপনি। হল্লকপদা বস মনুংদা হাংদোক্তুনা য়েংলুববু ভালো, উকক অমা য়োল্লগা পীরকপা ওইরম্মী। মহাচোর চন্দালদু ফূরগে অমুক চৎলুবদদি থিবা অদুম ফংদ্রে। জমা মসজিদকী মমাঙদা থা থাদুনা য়োল্লম্বা কোভর য়াম্না ফজবা লতা মঙ্গেস্করগী কেসেট অনী অমসু য়ূম য়ৌরকপদদি খোংবা শুকয়া হেক য়াদবনি। মদুদসু নত্তে। ইংলেন্দলোমদগী শারকপা সেকেন্দ হেন্দগী শউন খোঙউপ অমুবা জুরাদুসু হাংদোক্লগা য়েংলুবদা খুগা নাম্মা নাম্মা ওইরম্মী। ময়াং মচাশিংসি য়াম্না শাথীবনি। নহানসু সিলিগুরিদা মৈতৈ মচা অমা ৱাখল মাঙলগা তাদুনা লৈরম্বদু উরেদনা। মখুম কায়দ্রিবা মিনরেল ৱাটর বোট্টল অমা ত্রেন তোংমিন্নবা অমনা লাল্লকপদা লৈখায়রগা থকচিল্লুবদগী ৱাখল অদুম তাখিদ্রে হায়রিদুনি। মাগী মপোৎ মচৈ পূম্নমক মুনবিখ্রেদনা। প্লাষ্টিক, ৱাটর কন্টেনরদুদা সিরিঞ্জনা হীদাক কাপশিনবা শোয়দনা ওইরমগনি।

অসুম্না ঙাঙনা ঙাঙনা লাকপনা রেদ ফোর্ট য়ৌরে। কদর বজারগী মী চিক্লা লাক্লা ঙমদনা তিনবা মীয়ামদু উরে। বসতগী কুমথদ্রিবৈনি। হৈ শিংবদা মমিং লৈরবা দেল্লী মচা ওনখ্রবা মরুপ মনোযন্ত্রনা লাউরকই, “চ্যেক-অপ য়োর বিলোংগিংস!” নশা নশাগী পোৎ শুরেকো। লাকমিন্নরিবা ঐখোয় মৈতৈ মচা পূম্নমক চ্যেক তৌনৈ। লোইনা শুরে। অৱাৎ অপা অমত্তা লৈনদ্রে। অদগীদি কৈদৌরম্মগে হায়বদা মনোযন্ত্রগী মনি বেগ য়াওরমদ্রে। ফুরিৎখাও চপখ্রে। মনি বেগ হাপ্পা মাগী বেক পোকেটতু চাথৎলগা ইতৎ তৎলগা লৈরম্মী। লাকমিন্নরিবা অঙাংশিংদুদি কনামত্তা খঙদ্রে। ঐতনি খঙহৌবা। মরুপ মনোযন্ত্রনা ঐঙোন্দা তূমিন্না হায়রকই, “ভায়, ঙসিগী থৌদোকসিদি ইকায়খ্রেদা; অঙাংশিংদা হায়দোক্কনুকো! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯৫

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

হৌজিক্কী ইরমদমসিগী খুন্নাইসিদা নত্তনা মৈতৈ/মীতৈ ইফুরুপচাশিংনা চোইনা নৎত্রগা পূন্না মণিপুর কৌবা লমদমসিগী ৱাংমদা লাপ্না মরম কয়াদগী খুন্দাদুনা লৈবিরিবা অহল-নহা, লাইরিক হৈবা, হৈতবা পূম্নমক্লা খঙমিন্নবা য়াবা/খঙমিন্নবদা কান্নবা অদুঙৈ কংলৈপাক কৌরিঙৈদগী লৈরক্লবা কুম্মৈ অনীখক্তং, তুংদা মীরম লাইনীং লিচৎ থৱায় য়াওনা পামখিবা মমিং ফাওবা পন্নীংদবা মৈদিংঙু খরগী মতমদগী মীরমগী লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) গা মরী লৈনহন্দুনা মুকশন লাইনীং লিচৎকী কুম্মৈ ওন্থোকখ্রবা অনীদুদি - ক্বাক তানবা অমসুং হিয়াং তান্নবা (অখন্নবা মরমগী ওইনা মখাদা নৈনবদা চংলক্কদবা অদুগীদমক ওইবনা) লৌখৎচগে। শম্লপ্না পঞ্জগে।

ক্বাক তানবা হায়বা কুম্মৈসি মৈদিংঙু খূৎয়োই তোমপোক (খৃ: ১৫৪-২৬৪) না মেরা থাগী ১০নি পানবদা অঙম অথৌ ফমথৌ ৬৪ শেম্লগা মশা মশানা হৈজবা মখল উৎথোকহন্নবদা, শঙলেন মপু নোংদম্বা তাঙঙাখা মরিংবনা উচেক্কী চাকথা থারবা মতুংদা উচেকশিংদু অমুক তানবদা উচেকশিংনা পাইখিবা মায়কৈগী মতুংইন্না লৈবাক্কী কুম অমগী অফ-ফত্ত খঙনবা তৌবা অদুনি।

হৈক্রু হিতোংবা হায়বসি মৈতিংঙু ইরেংবা (খৃ: ৯৮৪-১০৭৪) না পানবা মতমদা ইবুধৌ পাখংববু সাইবা কাংথক্তা মেন তোংহন্দুনা ঈরাৎ থৌনি তৌদুনা হৈক্রু হিতোংহন্দুনা মিকোল থাগোনবগী পাঙথোক্লম্বা থৌরমনি। মসিদা মায়কৈ ঙাকপা উমং লাই ৯বুসু ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকই হায়না নিংথৌরোল ইনোৎ হায়বা লাইরিকসিদা ইরি। অদুগা মৈতৈ থৌনি লিচৎ অমসুং থারোল কৌবা লাইরিক অনীসিদা লোইদাং হিয়াঙ্গৈ থাদা হিয়াং তান্নদুনা কুম্মৈ তৌরম্বগী মতাংদসু ইরি। হৌজিক্তনা করিগুম্বা মতমদা মী তিনবা কুম্মৈ অমা ওইনসু তৌনবা অদুম য়াওরি।

মেরাগী ১০নি পানবদা পাঙথোক্লম্বা ক্বাক তানবগী কুম্মৈগী মতাংদা সনামহি লাইকন কৌবা অরিবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি - “লোইদাম মেরা থাদা পোনবি ৱাকমথোং চীংনুং নোঙ্গৌবীনা লোইদাম কুমশা থৌদি দশানম ক্বাত তানরে।”

অদুগা, হিয়াঙ্গৈগী ১১নি পানবদা পাঙথোক্লম্বা হৈক্রু হিতোংবগী মতাংদসু সনামহি লাইকন কৌবা অরিবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি - “হিয়াঙ্গৈ থাগী কুম্মৈ মহুৎ শিনবদি জল যাত্রা ৱাকয়ৈ হিতোংবা তাউজিং হৈক্রু পরেং লিকপু শিনা তোংচোং হিওন চৎপদা কুম্মৈ মহুৎ শিন্না নুংঙাইনৈয়ে।”

অমুকসু, পনবদা চিথুহৌবদা - “লোইদাম লমতা থাগীদি পোইরৈ অপকমানা লোইপান কুম্মৈ শান্নৈয়ে।”

লমদমসিদা মীরম লাইনীংগী হোংলকপা মচৎ অমা ওইনা লমদমসিগী কুম্মৈ পাঙথোকপদা বিষ্ণুনা নিংথৌগী মহুৎ শিনবগী চৎনবী শেমগৎলকপা :-

মীরম লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) চৎপশিংনা চীংথংখোম্বা নিংথৌগী মতমদা গোবিন্দ/কৃষ্ণবু নিংথৌনি হায়না খঞ্জখিবদগী (মমাঙদসু য়াওখ্রে) হৌজিক্লা মমাঙঙৈগী নিংথৌগী মশিল ওইরম্বা কুম্মৈশিং-খুদম ওইনা, হলঙ্কার/লাই কৈথেল কাবা; ক্বাক তানবা অমদি হিয়াং তান্নবা/হৈক্রু হিতোংবনচিংবা কুম্মৈশিং অসিদি সনা কোনুং (গোবিন্দ লৈরিবা লাইশঙ) সিদগী বামোন অমগী মঙকশমদা সনা মচুগী ফি অমনা য়োমশিল্লবা লাই বিষ্ণুনি হায়বা পোৎশক অমা শীজিন্নদুনা য়াল্লগা নিংথৌগী মহুৎ বিষ্ণু লেংলক্লিবনি হায়না তৌনবগী চৎনবী ঙসিগী মীরম লাইনীং চৎপশিংগী মরক্তা তৌনবা উরি। অসিগুম্বসি মীরম লাইনীং লাইশোনগী অশেংবা মফমশিংদদি তৌনদবা মাল্লি। মসিগুম্বা চৎনবী ৱারী অমদি থৌওংসি খঙবদগী ওইরম্বসু য়াই ময়োল লৈঙাক্কী মচিন চৎপা ওফিসল অমনা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম মথক্তা পঞ্জখিবদু।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগী হাক্তক্তা, ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু/লৈবশিংদসু মনিং মখা তম্না পাঞ্জরম্বা নিংথৌশিংগী লৈঙাক্লোন মূখৎলবা মতুংদা ইরমদমসিদা মনিং তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইবগী মতিক মঙম লৌথোকখ্রবসু লৈবাক/ইরমদমসিগী কষ্টমগী মতুংইন্না চারোল শুরোল শমথরকপশিংনা লৈবাকসিগী কষ্টমগী মকোক ওইনা কংলৈপাকসিগী/ইরমদমসিগী পিবারেল/নিংথৌ ওইবগী চৎনবীসিদি অদুম কায়দনা চথুদুনা লৈরি। খুদম, মপাবুং বোধচন্দ্র নিংথৌ (খৃ: ১৯৪১-১৯৪৫) না লৈখিদ্রবা মতুংদা মচা ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ (খৃ: ১৯৫৫-১৯৯৬) কী হাক্তক্তদি কংলৈচা/মণিপুরী মীতৈ হিন্দুশিংনা নিংলিবা হিন্দু লাইনীং অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লাই অমা ওইনা লৈরক্লিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দ অসিগা লৈবাক্কী নিংথৌগা লৈনরকপা মরী অদু খৃ: ১৯৯২, এপ্রিল ২৩, শজিবুগী ২১নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতগী তৎনখি। অদুদগী মখা শমথরকপনা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা খৃ: ১৯৯৬তগীনা হৌজিক হৌজিক ফাওবা ইরমদমসিগী কষ্টমগী মকোক ওইরগা পিবারেল ওইরি। মহাকসু ইবুধৌ পাখংবগী চাদা নাওদানি হায়বগী থাজনবী ঙসি ফাওবা লৈরি। (চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বা খোংনাংথাবা - সাইরেম নীলবীর)।

মতাংসিদা থমজনীংবা অচুম্বা ৱাফম অমদি কষ্টমগী মতুংইন্না ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, হান্নদগী লৈরকপা কংলৈপাক/কংলৈগী মমিং অদু মণিপুর হায়না ইকোন কোন্না (পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তগী) হৌজিক ফাওবদা কৌনরিবসিদা লমদমসিগী চারোল শুরোল শমথরকপশিংনা নিংথৌ ওইবনা, মশামক্লা পিবারেল/নিংথৌ/মহারাজ (মীরোন্দা) ওইরিবনিনা চেকশিল্লক্লবদি লৈশেম্বা সনাজাওবা ইবুধৌ পাখংবগী চাদা নাউদা ওইবনা ইরমদম অপূনবসিগী নিংথৌনি হায়বদা য়েৎননীংঙাই ওইদে। মীহৌরোলদগী চৎনবীদা লমদমসিগী ওইনদি ইবুধৌ পাখঙবনা নিংথৌ ওইবগী কষ্টমগী চৎনবী লৈরকপনা, লমদমসিগী লৈবাক নিংথৌগী, লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা মরী লৈনবা পাঙথোকফম তৌফম থোকপা ঈরাৎ থৌনি থৌরমশিংদা নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা কুম্মৈশিং লোয়নমক মীরম লাইনীং কৌনীংবা মমিংশিং কৌরবসু মদু চঙলক্ত্রিঙৈগী মতমদগী লৈরকপা/চৎনরকপশিং/তৌরকপশিংদু ওইনা হৌজিক্তদি লৈবাক মীয়াম হুপ্না/পূন্না পাঙথোকপা/তৌবা চুমই হায়জনীংই। খাঙুথক্লা মমাঙঙৈ ওইবা নৎত্রগা হায়বা য়াফম থোক্তে।

মথক্কীসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক/ৱাখল্লোনদি মীরমগী লাই ওইগেরা ওইনীংবা লাইনা নমু তাইবঙ মীওইবগী মহুৎ শিনবা হায়বসি ওইথোক্তে/য়াফম থোক্তে। মীরম লাইগী অশেংবা হৌরকফম ওইরিবশিংদা তৌরিবা অশেংবা থৌওংগা মান্নদনা মীরম লাইনীং লিচৎ চৎপশিংনা লমদমসিদা তৌরিবশিংসি মালেমগী ওইনা লৈরিবা লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) শিং অমত্তদা তৌনবগী ৱারী/খুদম লৈতে। হীরমসিগী মতাংদা তুংদা হৌরকইবা ৱাখল লৌশিং লৈরবা, লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংনা কূপ্লা খন্ন-নৈনদুনা হায়বদি থিজিন-লৌশিং (সাইন্স) গী মীৎয়েংদা অচুম চুমদা/ওইথোকপা য়ারোইদবা কয়া খন্নফম থোক্লোইদ্রা হায়না থমজগে।

“মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদে/ঙমদে” হায়বসিমক্কী অশেংবা থৌওংদি মীরমগী মুকশন লাইনীং লিচৎ শেম্নবা হোৎনবদা ঈনাৎকী মীহৌরোলদগী লৈরকপা ইরলশিং খুদম ওইনা - লাই হরাওবগী জগোয় মখলশিং, থাঙ-তা, হরাউ কুম্মৈশিংগী মচাকশিং য়াম্না হৈশিংনা মতমদুগী অখঙ অহৈশিংনা লৌখৎলগা মীরমগী মুকশন লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) কৌনীংবা মমিং কৌদুনা/থোন্দুনা শেমখিবনি হায়বসি মীরম লাইনীং লিচৎ পামজবশিং মখোয় মশানসু য়াজনা ফোঙদোকচখিবা ৱাফমশিং মথক্তা মতাং চানা চানা থমজখ্রে। ●